HUEIYEN LANPAO

# য়ুক্রেননা দোনেটস্ককী মোস্কোনা কন্ট্রোল তৌবা মফমদা রোকেট এটেক চথবদা রসিয়ন ট্রুপ ৬৩ শিখ্রে



কিভ/মোস্কো, জনুৱারী ৩ (এজেন্সী):

দোনেটস্ক রিজনগী মোস্কোনা কন্ট্রোল তৌবা মফমদা লৈবা ফেসিলিটি অমদা য়ুক্রেননা রোকেট কয়া কাপশিন্দুনা চথরকখিবা এটেক্তা মফমদুদা লৈবা রসিয়ন লান্মী ৬৩ শিখ্রে হায়না রসিয়ানা ক্লেম তৌখ্রে।

মদু থা তরা হেনবগী মমাঙদা লান হৌখিবদগী রসিয়ন ফোর্সশিংদা য়ুক্রেননা চথখিবা খ্বাইদগী শাথিবা এটেকশিংগী মনুংদা অমা ওইখি। য়ুএসনা সপ্লাই তৌবা প্রিসিজন খুৎলায় অমা শীজিন্নদুনা চথখিবা ষ্ট্রাইক অদুনা রসিয়ন ফোর্সশিংদা অনৌবা চৈথেং অমা পীখি। হন্দক্তা য়ুক্রেনগী কাউন্টর ওফেন্সিবতা পরিং নাইনা চৈথেং কয়া নঙখ্রবা রসিয়াগী মরু ওইবা টার্গেটশিংদা য়ুক্রেনিয়ন ফোর্সশিংনা য়ুএসনা পীবা খুৎলায় অদু শীজিন্নদুনা এটেক কয়া মায় পাক্লা চথরকখি।

রসিয়াগী সমরা রিজনগী গভর্ণর দমিট্রি অজারোবকী মতুং ইন্না য়ুক্রেনগী রোকেট এটেক অদুদা লমদম অদুগী মীওই কয়া শিখি। মাকিবকা টাউনদা রোকেট ষ্ট্রাইক অদুনা মীওই কয়াসু শোকহনখি। য়ুক্রেননা পুন্না রোকেট তরুক কাপ্লকখিবগী মনুংদা রোকেট অনী লম্মখাংদা কাপথখি হায়না রসিয়ন দিফেন্স মিনিষ্ট্রিনা ফোঙদোকখি। রোকেট ষ্ট্রাইকশিং অদুদা ফেসিলিটি অদুগা নক্লনা থম্বা এম্যুনেসন চাওনা পোকখায়খি। মদুনা মরম ওইদুনা এটেক অদুদা মী মশিং য়াম্না শিরিবনি হায়না মেদিয়া রিপোর্ট খরদা পনখি।

চৈরকসিদা ন্যু ইয়র ইভতগী হৌনা রসিয়ানা য়ুক্রেনগী কেপিটেল কিভতা হনবা নাইদনা এটেক চথরক্লি। নিংথৌকাবা নুমিত্তা রসিয়ানা কিভ তম্না দ্রোন ৪০ গী মথক্তা থাজি ল্লকখি। তৌইগুম্বসুং দ্রোন খরদি কাপথবা ঙমখি হায়না কিভকী মেয়র বিটালি ক্লিটস্কোনা ফোঙদোকখি।

মেয়র অসিগী মতুং ইন্না রসিয়াগী দ্রোন এটেক অদুনা ইনর্জি ইনফ্রাষ্ট্রকচর ফেসিলিটিশিং অমাঙ অতা থোকহনখিবগা লোয়ননা সিটি দিষ্ট্রিক্ট অমদা অচৌবা পোকখায়বগী থৌদোক অমসু থোকহনখি। তৌইগুম্বসুং মদু দ্রোনশিংনা নক্তগা অতৈ ম্যুনিসনশিংনা থোকহনখিব্রা হায়বদু খুদক্কী ওইনা খঙবা ঙমখিদে।

চৈরকসিদা রসিয়ানা ইরাননা শাবা সাহেদ দ্রোনশিং শীজিন্নদুনা মতম শাংনা এটেক চথনবা থৌরাং তৌরি হায়না য়ুক্রেনগী প্রসিদেন্ট বোলোদিমির জেলেন্সকিনা ফোঙদোকখ্রে। নিংথৌকাবা নুমিত্তা হান্নগুম লৈবাক মীয়ামদা ভিদিও এদ্রেসকী খুথাংদা ৱা ঙাঙখিবা প্রসিদেন্ট জেলেন্সকিনা হায়খি, মদুদি কুমজা ২০২৩ গী অঙনবা শরুক্তা লান হৌখিবদগী য়ুক্রেনিয়ন আর্মদ ফোর্সেসনা রসিয়ন দ্রোন ৮০ হেন্না কাপথখ্রে। চহী হৌবা শুপ্নগী নুমিৎ নীনিদা হৌজিল্লকপা মতম অসিদা য়ুক্রেনদা হৌজিক ফাওবদা কাপথখিবা ইরাননা শাবা দ্রোন মশিং ৮০ হেল্লে। মশিং অসি অথুবা মতমদা হেনগৎলক্লগনি। হৌখিবা চয়োল খরা অসিদা অহিংগী মতম অয়াম্বা দ্রোন এটেকশিংনা মরম ওইদুনা নিল খোঙবা কয়া থোকহন্দুনা লাক্লি।

জেলেন্সকিনা মখা তানা হায়খি, মদুদি রসিয়ানা সহেদ দ্রোনশিং শীজিন্নদুনা এটেক চথনবা রসিয়ানা থৌরাং তৌরি হায়বা পাউ ঐখোয়না ফংলে। মখোয়গী পান্দমদি ঐখোয়গী লানগী রিছোর্স পুন্নমক পুল্লোই লোইহনবনি। ঐখোয়গী মীয়ামগী পাঙ্গল মপুং ফানা মাঙহনবা, এয়র দিফেন্স অমসুং ঐখোয়গী ইলেক্ট্রিসিটি ফেল ওইহনবা হায়বসি রসিয়াগী থৌরাং অসিগী পান্দমনি। য়ুক্রেননা দোনেটস্কী ওক্যুপাইদ রিজনদা অচৌবা রোকেট ষ্ট্রাইক অমা পাঙথোকখি হায়বসি কিভনা কনফার্ম তৌখিবা মতুং পুং খরা কান্নরগা জেলেন্সকিনা ৱাফম অসি ফোঙদোকখিবনি।

# চাইনানা মরন্নাই ৱারেপতা এল এ সিদা অহোংবা লাকহন্নবা হোৎনখি: এস জয়সঙ্কর



ভিএনা, জনুৱারী ৩ (এজেন্সী):

লাইন ওফ একচুয়েল কন্ট্রোল (এল এ সি) বু মশাগী অপাম্বা মতুং ইন্না হোংহন্নবা হোৎনবগীদমক্তা এক্সটর্নেল এফিয়র্স মিনিষ্টর এস জয়সঙ্করনা লৈবাকপোকপা নুমিত্তা চাইনাবু কন্না চৈ থাংখ্রে।


ওষ্ট্রিয়াগী ও আর এফ টেলিভিজনগী দেলি ন্যুজ মেগজিন জেদ আই বি ২ পোদকাষ্টকী ইন্টরভিয়ু অমদা জয়সঙ্করনা হায়খি, মদুদি এল এ সিবু মশাগী অপাম্বা মতুং ইন্না হোংহন্দনবগী এগ্রিমেন্ট অমা ঐখোয়না সাইন তৌনখি। তৌইগুম্বসুং চাইনানা থেঙখাং কয়াদা এগ্রিমেন্ট অদু থুগায়দুনা এল এ সিদা অহোংবা লাকহন্নবা হোৎনদুনা লাক্লি।

জয়সঙ্করনা মখা তানা হায়খি, মদুদি হৌখিবা চহী খরা অসিদা এল এ সিগী নোংচুপ থংবা পাঙোল লেক অমসুং গালৱান ভেল্লিদা নাকল অনীগী ট্রুপশিংগী মরক্তা মুক্নবা অমদি খুৎ থোক্লবনচিংবা কয়া থোকখ্রে। ইনৌ নৌনা হন্দক্তা ইষ্ট টৱাংদা ইন্দিয়া অমসুং চাইনাগী মরক্তা কন্না মুক্নখি। ঐখোয়গী এক্সপরিয়েন্সতা চাইনানা য়ানখিবা ৱাফমশিং থুগায়দুনা এল এ সিদা অহোংবা লাকহন্নবা হোৎনবগী থৌদোক কয়া থেংনখ্রে। ঐখোয়না মরু ওইনা লূনা লৌরিবা ৱাফমদি ঐখোয়গী বোর্দর এরিয়াশিংদা মিলিটরি ফোর্সশিং পৈশিন্নদনবা চাইনাগা এগ্রিমেন্ট কয়া খুৎয়েক পীনখ্রবসু মখোয়না এগ্রিমেন্টশিং অদুবু হঞ্জিন হঞ্জিন্না থুগায়খিবা অসিনি। মখোয়গী থৌওং অদুনা মরম ওইদুনা হৌজিক বোর্দরদা উংখৎনবগী ফিভম লৈরিবনি।

পনবা য়াবদি, হন্দক্তা দিসেম্বর ২০ দা ইন্দিয়া অমসুং চাইনানা চাইনিজ সাইদকী চুসুল-মোলদো বোর্দর মীটিং পোইন্টতা কোর কম্মান্দর লেভেলগী ১৭ শুবা রাউন্দগী মীফম পাঙথোকখিবগা লোয়ননা নাকল অনীনা ৱেষ্টর্ন সেক্তরদা সেক্যুরিটি অমসুং ষ্টেবিলিটি মেন্টেইন তৌবগী ৱাফম য়ানখিবনি। চাইনানা এল এ সিগী হান্নদগী লৈরকপা ফিভম হোংদোক্লবা হোৎনবগী মতাংদা পল্লদুনা জয়সঙ্করনা হায়খি, মদুদি চাইনানা ইন্দিয়াবু লৈবাক অনীনা য়ানখিবা ৱাফমশিং ঙাক্তে হায়না মরাল শীবা য়াই। তৌইগুম্বসুং সেটলাইটনা লৌবা পিকচরশিংদা কনানা অরানবা তৌবগে হায়বদু শেংনা উবা ঙমগনি।

ষ্টেটস কোদা অহোংবা লাকহন্নবা হোৎনরি হায়বসি ঐহাক্না শেংনা পন্দ্রবসু মতম কয়াগী মমাঙদগী হৌনা মমাঙগী ইন্দিয়াগী ফোরেন মিনিষ্টরশিংনা মালেমগী মরু ওইবা ফোরম কয়াদা ৱাফম অসিবু ময়েক শেংনা খঙহনবা লৈখ্রবনি হায়না জয়সঙ্করনা মখা তাখি।

# গ্লোবেল এন্টি-টেরর বোদি এফ এ টি এফনা নেপালবু গ্রে লিষ্টতা য়াওহল্লবা য়াই




কাঠমন্দু, জনুৱারী ৩ (এজেন্সী):

নেপাল অসি মনি লোন্দরিং অমসুং টেরর ফাইনান্সশিংগা মরী লৈনবা লেজিসলেসন অমদি লোশিং এনফোর্স তৌবগী চাং য়াম্না ৱাৎপনা মরম ওইদুনা ফাইনান্সিএল এক্সন টাস্ক ফোর্স (এফ এ টি এফ) কী গ্রে লিষ্টতা হাপচিল্লকপা য়াবগী থাঙৈশেংবা রিস্ক মায়োক্লদুনা লৈরে হায়রি।

নেপালনা এন্টি-মনি লোন্দরিং অমসুং টেররিষ্ট ফাইনান্সশিংগা মরী লৈনবা পেরিসতা বেজ তৌবা রেগুল্যেটরি বোদি অসিগী ষ্টেন্দর্দশিং কমপ্লাই তৌবা ঙমদবগী ফিভম কয়া য়েংশিন্নবা হোৎনরিবনি। লৈবাক অসিনা হৌজিক ফাওবদা ৱাফমশিং অসিগা মরী লৈননা য়ামদ্রবদা অশোনবা লো ১৫ আইদেন্টিফাই তৌরে।

এফ এ টি এফকী গ্রে লিষ্টতা য়াওহনবা তারবদি মদুনা ফোরেন এইদ, রিমিটেন্সশিং অমসুং ইম্পোর্টশিংগী মপান চাওনা তাংদুনা লৈরিবা নেপালগী হৌজিক হৌজিক অৱাবা মায়োক্লরিবা ইকনোমিদা চাওনা শোকহনবা য়াই হায়রি।

গ্রে লিষ্টতা য়াওবা লৈবাক অমনা লল্লোন ইতিক্কী খুদোংচাবা ৱাৎপা, রেটিংশিং হন্থরকপা অমসুং ইকনোমি মীপায়নিংঙাই ওইনা শোকচিল্লকপা য়াবগী ফিভমশিং মায়োক্লরকপা য়াই। হন্দক্তা এফ এ টি এফ ষ্টাইলগী রিজনেল এন্টি-মনি লোন্দরিং বোদি অমা ওইরিবা এসিয়া পেসিফিক গ্রুপ ওন মনি লোন্দরিং (এ পি জি) গী দেলিগেসন অমা নেপালদা চয়োল অনী লাক্তুনা মনি লোন্দরিং অমসুং টেরর ফাইনান্সিংগা মরী লৈনবা লৈবাক অসিগী রেস্পোন্স য়েংশিনখি।

ওফিসলশিংনা হায়রি, মদুদি এ পি জিগী মুচুয়েল ইভালুএসন রিপোর্টতা দিসেম্বর ১৬ ফাওবগী প্রোগ্রেসতমক য়াওগনি। মদুনা নেপালবু অমুক হন্না শেল থুমগী মতাংদা খুদোংথীনিংঙাই ওইবা ফিভম অমদা লাকহনবগা লোয়ননা লৈবাক অসি ব্লেকলিষ্ট তৌবমক নত্রবসু গ্রে লিষ্টতা য়াওহল্লকপা য়াই।

ব্লেকলিষ্ট হায়বসি এফ এ টি এফকী কোর ফোর এক্সনগী মতুং ইনগদবা হাই-রিস্ক জুরিসদিক্সনশিং মায়োক্লবা য়াবা লৈবাকশিংগী ওইবা লিষ্ট পনবদা শীজিন্নে। হৌজিক নোর্থ কোরিয়া, ইরান অমসুং ম্যান্মার অসিএফ এ টি এফকী ব্লেকলিষ্টতা লৈরিবনি।

গ্রে লিষ্ট অসিনা মনি লোন্দরিং অমসুং টেরর ফাইনান্সিং থেংননবা গভর্ণমেন্টশিংনা হোৎনবদা ষ্ট্রেটেজিক দিফিসেন্সি কয়া লৈবা লৈবাকশিং/জুরিসদিক্সনশিংদা শীজিন্নে। এফ এ টি এফনা মোনিটর তৌবা হেনগৎলগদবা জুরিসদিক্সন্না কোনবা লিষ্টতা য়াওবা তারবদি অদুগুম্বা লৈবাক অদু অকক্লবা মতমগী মনুংদা এক্সন প্লান অমা তঙাই ফদনা পুথোকপা মথৌ তাহল্লি।

# লিবিয়াগী গভর্ণমেন্টনা কুমজা ২০২৩ দা মীখল পাঙথোক্লবা শেম শারি

ট্রিপোলি, জনুৱারী ৩ (এজেন্সী):

লিবিয়াগী প্রাইম মিনিষ্টর অব্দুল হামেদ বৈবানা হায়খ্রে, মদুদি মহাক্কী গভর্ণমেন্টনা কুমজা ২০২৩ দা জেনরেল ইলেক্সন পাঙথোক্লবা শেম শারি।

কেবিনেট মীফম অমদা বৈবানা হায়খি, মদুদি নেসনেল য়ুনিটিগী গভর্ণমেন্ট অমসুং নেসনেল ইলেক্সন কম্মিসন্না ইন্দিয়াদা নেসনেল ইলেক্সন পাঙথোক্লবা মপুং ফানা শেম শাদুনা লৈ। কুমজা ২০২৩ অসি ইলেক্সনগী অমদি সিভিল ইন্সটিট্যুসনশিং, সেক্তরশিং অমসুং ওর্গনাইজেসনশিংগী মরক্তা য়ুনিটি লাকহনবগী চহীনি। লিভিয়াগী পার্টিশিংগী মরক্তা ইলেক্সন লোশিংগী মতাংদা য়ান্নদবদগী লৈবাক অসিগী মীখল হান্না ২০২১ গী দিসেম্বরদা পাঙথোক্লবা লেপখিবা ওইরবসু পাঙথোকখিদবনি।

প্রাইম মিনিষ্টরনা মখা তারদুনা মহাক্কী গভর্ণমেন্টনা খ্বাইদগী হেন্না মীৎয়েং চঙগদবশিংগী মনুংদা লিবিয়াদা চাওখৎপা পুরকপা অমসুং লান অমদি মুক্নবগী ফিভমশিং লাকহন্দবা অসিনি।

পনবা য়াবদি, লিবিয়া অসি হৌজিক হাউস ওফ রিপ্রজেন্টেটিবস (পার্লিয়ামেন্ট) না এপোইন্ট তৌবা গভর্ণমেন্ট অমসুং ট্রিপোলিদা বেজ তৌবা গভর্ণমেন্ট ওফ নেসনেল য়ুনিটিগী মরক্তা নাকপাক তান্নরগা লৈরিবনি। ট্রিপোলিদা বেজ তৌবা গভর্ণমেন্টনা শুপ্নগী ইলেক্টেদ গভর্ণমেন্ট অমদা পৱার শীন্নবগী ৱাফমদমক য়াখি। য়ুএন-সেক্রেটরি জেনরেলগী লিভিয়াগী ওইবা অখন্নবা রিপ্রজেন্টেটিব অব্দুলায়ে বাথলিনা লিবিয়াদা কুমজা ২০২৩ দা মীখল পাঙথোকপা য়াগনি হায়বগী থাজবা ফোঙদোকখি।

অখন্নবা রিপ্রজেন্টেটিব অসিনা হায়খি, মদুদি মীখলগী খুদোংচাবা কয়া মাঙখিবা অদুবু কুপখৎপা য়াগদবা অমদি তুং কোইনা চৎনগদবা সোলুসন অমা পুথোকপা য়াগদবগী চহীদি কুমজা ২০২৩ অসিনা ওইরগনি হায়না ঐহাক্না থাজৈ। য়ানদ্রিবা ৱাফমশিংগী মতাংদা তুং কোইনা চৎনগদবা সোলুসন অমা পুরক্তুনা চহী অসিদা মীখল পাঙথোক্লবগী লম্বী ফাৎপগা লোয়ননা লিবিয়াদা তুং কোইনা মরা তপ্পা অমদি চাওখৎপগী ফিভম শেমগৎপা য়াহল্লগনি হায়না মহাক্না মখা তানা ফোঙদোকখি।

কুমজা ২০১১ দা লিবিয়াগী লৈখিদ্রবা লূচিংবা মোহমদ গদাফিগী রেজিম তুখিবদগী লৈবাক অসিদা ভাইওলেন্স অমদি পোলিটিকেলগী ওইবা য়ানদবা মরক্তা দিমোক্রেসি লাকহন্নবগী থৌরাং কয়াসু পায়খত্তুনা লাকখি।

# ইরান-ইজিপ্ট মরী থম্নবদা প্রোব্লেম লৈরোই

টেহরান, জনুৱারী ৩ (এজেন্সী):

ইজিপ্টকা মরী থম্নবদা প্রোব্লেম লৈরক্কনি হায়না ইরাননা লৌদে হায়না ইরানগী ফোরেন মিনিষ্ট্রিগী স্পোকসমেন নাসের কনানিনা ফোঙদোকখ্রে।

চয়োলগী ওইবা প্রেস কনফরেন্স অমদা কনানিনা ইরানগী ফোরেন মিনিষ্টর অমদি ইজিপ্টকী মহাক্কী লেঙমান্নবনা হন্দক্তা জোর্দানগী কেপিটেল অমানদা পাঙথোকখিবা রিজনেল কনফরেন্স অমগী নাকোয়ননা উন্নখিবা অদু পুক্নিং থৌগৎনিংঙাই ওই হায়খি।

টেহরাননা রিজনেল পোলিসিদা অহোংবা লাকহন্নবা মীৎয়েং থল্লি হায়বসি নৌহৌননা পল্লদুনা কনানিনা হায়খি, মদুদি লৈবাক অনীগী মরক্তা লৈরিবা কোন্সুল্লর ইস্যুশিং লৈখায় তান্ননবা মখা তানা নাকল অনীগী মরক্তা ৱারী শানরি।

ইরান অমসুং ইজিপ্টকী মরক্তা ৱারী শান্নবদা খুদোংচাহন্নবা ইরাক্কী প্রাইম মিনিষ্টরনা হন্দক্তা হৌদোকখিবা ৱাফমগী মতাংদা পল্লদুনা কনানিনা হায়খি, মদুদি ইরান-ইজিপ্ট মরী ফগৎহন্ননবগীদমক্তা লৌখৎপা পোজিটিব ওইবা খোঙথাং খুদিংমক ইরাননা তরাম্না ওকই। হন্দক্তা ইরাননা অকক্লবা ইস্যু খরগী মতাংদা লৈরিবা য়ানদবা ৱাফমশিং লৈখায় তাননবা ইজিপ্টকা লৈনবা মরী হেন্না ফগৎহন্ননবা শেম শারি হায়খি।

# অল-অক্সা মোস্কতা চৎতনবা ইজরেলগী সেক্যুরিটি মিনিষ্টর ইটারমর বেন গাবিরদা ৱার্নিং তৌখ্রে

রমালা, জনুৱারী ৩ (এজেন্সী):

ইষ্ট জেরুসালেমদা লৈবা টেম্পল মাউন্ট হায়নসু খঙনবা অল-অক্সা মোস্কনা চৎতনবা পলেষ্টিনিয়ন ওফিসলশিং অমসুং ফেক্সনশিংনা ইজরেলগী নেসনেল সেক্যুরিটি মিনিষ্টর ইটারমর বেন গাবিরদা ৱার্নিং তৌখ্রে।



ইজরেল্লি মেদিয়া রিপোর্টশিংগী মতুং ইন্না বেনগাবিরনা পুলিসতা মহাক চৎলিবা চয়োলগী মনুংদা অল অক্সা মোস্ককী কোর্টয়ার্দতা চঙননবা ৱারেপ লৌরি। করিগুম্বা মহাক্না মোস্ক অদুদা ভিজিট তৌবা তারবদি মদু চহী মঙারোমগী মনুংদা ইজরেলগী মিনিষ্টর অমনা মোস্ক অদুদা চৎপা অহানবা খোঙচৎ ওইগদৌরিবনি।

পলেষ্টাইন লিবরেসন ওর্গনাইজেসন (পি এল ও) গী একজিক্যুটিব কম্মিটিগী সেক্রেটরি জেনরেল হোসেন অল-সেখনা ষ্টেটমেন্ট অমদা হায়খি, মদুদি বেন গাবিরনা সেক্যুরিটি মিনিষ্টর ওইনা অল-অক্সা মোস্কতা নম্ফুদা চঙগনি হায়না কিহল্লিবসি ইফোঙ ফোঙনা পলেষ্টিনিয়নশিংবু উশিৎতবা অমদি ইকায়বা নাইদবগী থৌওংনি।

গাজাদা ইস্লামিক রেজিষ্টেন্স মুভমেন্টনা প্রেস ষ্টেটমেন্ট অমদা হায়খি, মদুদি অল অক্সা-মোস্কতা ভিজিট তৌবা হায়বসি ইৱাং অমদি মীশি মীনা থোকহন্নবা শিনবনি।

ইজরেল্লি মিনিষ্টর অমনা মোস্ক অসিদা চৎপদগী লাকপা অফ-ফত্তগী ফিভম পুন্নমক ইজরেল্লি গভর্ণমেন্টনা মায়োক্লগদবনি হায়না ষ্টেটমেন্ট অদুনা মখা তাখি।

চৈরকসিদা গাজাদা লৈবা ইস্লামিক জিহাদ মুভমেন্টনা হায়খ্রে, মদুদি বেন গাবিরনা অল-অক্সা মোস্কতা চঙবা হায়বসি শাথিবা ইৱাং লাকহন্নবা ইনভাইট তৌবনি। জিয়ুশিংনা টেম্পল মাউন্ট হায়না খঙনবা অল-অক্সা মোস্ক অসি মুস্লিমশিংনা মখোয়গী অহুমশুবা খ্বাইদগী শেংলবা মফমনি হায়না লৌবগা লোয়ননা জিয়ুশিংনসু মখোয়গী খ্বাইদগী শেংবা মফমনি হায়রিবনি।

# অফঘানিষ্টানগী লম পাকিষ্টানগী মায়োক্তা শীজিন্নরি: খ্বাজা অসিফ

ইস্লামাবাদ, জনুৱারী ৩ (এজেন্সী):

টালিবান গভর্ণমেন্টগা এগ্রিমেন্ট অমা পুরকখিবা লৈনা লৈনা অফঘানিষ্টানগী লম পাকিষ্টানগী মায়োক্তা শীজিন্নরি হায়না ইস্লামাবাদতা পাকিষ্টানগী দিফেন্স মিনিষ্টর খ্বাজা অসিফনা ফোঙদোকখ্রে অমসুং মহাক্না কাবুলগী রেজিমদা কুমজা ২০২০ গী দোহা এগ্রিমেন্টদা য়ানখিবা ৱাফমশিং ঙাক্লনবা তকশিনখ্রে।

ইস্লামাবাদতা পাঙথোকখিবা নেসনেল সেক্যুরিটি কম্মিটি (এন এ সি) গী মীফম লোইরবা মতুংদা মিনিষ্টর অসিনা ফোঙদোকখিবা ৱাফম পল্লদুনা জিও ন্যুজনা হায়, অফঘান গভর্ণমেন্টনা ইস্লামাবাদতা মখোয়গী লম পাকিষ্টানগী মায়োক্তা শীজিন্নহল্লোই হায়না থাজবা পীখি। বোর্দর ভাইওলেসনশিংগী মতাংদা পাকিষ্টানি গভর্ণমেন্টনা অফঘানিষ্টানগা তত্তনা পাউ ফাওনরি।

অসিফনা হায়খি, মদুদি টেহরিক-ই-টালিবান পাকিষ্টান (টি টি পি) গা নিগোসিএসন তৌনবগী বেকগ্রাউন্দ অমদি মতুং তারকপা দিভলপমেন্টশিংগী মতাংদা জেনরেল (রিটয়ার্দ) কামর জাবেদ বজৱানা অমসুং জেনরেল রিটয়ার্দ ফায়িস হামিদনা নেসনেল এসেমব্লিদা ব্রিফ তৌখ্রে। অদুম ওইনমক নিগোসিএসন অদুনা পুক্নিং থৌগৎপা য়াবা ফিভম অমত্তা লাকহনখিদে।

পাকিষ্টানদা থোক্লিবা টেররিষ্টকা মরী লৈনবা থৌদোক অপুম্বগী চাদা ৫৮ দি খাইবর পাক্তুনখুৱা (কে পি) দনি অমসুং বেলোচিষ্টানদসু অসিগুম্বা থৌদোক খরা থোকখি হায়না মহাক্না ফোঙদোকখি।

অমরোমদা, কুমজা ২০২২ দা পাকিষ্টানদা থোকখিবা টেরর এটেকশিং মমাঙগী চহী ২০২১ গা চাংদম্নবদা চাদা ২৮ হেনগৎখি হায়বসি হৌখিবা নিংথৌকাবা নুমিত্তা ফোঙখিবা রিপোর্ট অমনা উৎখ্রে। পাকিষ্টান ইন্সটিট্যুট ফোর কনফ্লিক্ট এন্দ সেক্যুরিটি ষ্টেদিস (পি আই সি এস এস) না রিলিজ তৌবা রিপোর্ট অদুগী মতুং ইন্না হৌখিবা চহীদা মিলিটেন্টশিংনা টেরর এটেক ৩৭৬ চথখিবদা মীওই ৫৩৩ শিখি অমসুং অতৈ মীওই ৮৩২ না অশোক অপন নঙখি।

কুমজা ২০২২ চহীদা চথখিবা এটেকশিং অদু হৌখিবা চহী মঙাগী মনুংদা চথখিবা খ্বাইদগী য়াম্বা মিলিটেন্ট এটেকশিংগী মশিংসু ওইখি। কুমজা ২০১৭ তগী ইহান হানবা ওইনা লৈবাক অসিনা চহী অমদা মিলিটেন্ট এটেক ৩০০ হেন্না মায়োক্লখি অমসুং কুমজা ২০১৮ গী মতুংদা অহানবা ওইনা লৈবাক অসিদা মিলিটেন্ট এটেকশিংনা মরম ওইদুনা শিখিবা মী মশিং ৫০০ হেনখি। কুমজা ২০২২ গী মমাঙগী থাদা থোকখিবা অপুনবা টেররিষ্ট এটেকশিংগী মশিং লৈবাক অসিনা হৌখিবা চহীদা মায়োক্লখিবা মশিং অদুগী চাদা ৪৪ ওইখি।

বেলোচিষ্টানদা টেরর এটেকশিং কুমজা ২০২২ গী দিসেম্বরদা চাদা ৮৮ হেনগৎখি অমসুং খাইবর পাক্তুনখুৱাদনা চাদা ৫৪ হেনগৎখি। দিসেম্বরদা টেররিষ্টশিংনা এটেক ৪৯ চথখি অমসুং সেক্যুরিটি পর্সনেল ৩২ য়াওনা মীওই ৫৬ হাৎখি। এটেকশিং অদুগী পাউখুম ওইনা সেক্যুরিটি ফোর্সশিংনা দিসেম্বরদা ওপরেসন ১৬ কন্দক্ট তৌখি অমসুং মিলিটেন্ট ৩৯ হাৎখি অমদি অতৈ মিলিটেন্ট ৪৭ ফাখি হায়না রিপোর্ট অদুনা মখা তাখি।

# ইজরেলগী ফাইনান্স মিনিষ্টর আরব লেঙমান্নবশিংগা কনফরেন্সতা শরুক য়ামিন্নরগনি



টেল অভিব, জনুৱারী ৩ (এজেন্সী):

ইজরেলগী ফোরেন মিনিষ্টর এলি কোহেননা মহাক জিৱিষ্ট ষ্টেট অসিগা মরি নোর্মেলাইজ তৌরবা আরব লৈবাকশিংগী মহাক্কী লেঙমান্নবশিংগা লাক্লিবা মার্চতা কনফরেন্স অমদা শরুক য়ামিন্ননবা থৌরাং তৌরি হায়না লাউথোকখ্রে।

হৌখিবা চয়োলদা প্রাইম মিনিষ্টর বেঞ্জামিন নেটনয়াহুগী ফার-রাইট কোল্লিসন গভর্ণমেন্টতা ওফিস পায়বগী ৱাশক লৌখিবা কোহেননা হায়খি, মদুদি মার্চতা পাঙথোক্কদৌরিবা কনফরেন্স অদুগী হোষ্ট মোরোকোনা ওইগনি। মহাক্কী মতুং ইন্না মিনিষ্ট্রি অসিগী দিরেক্তর জেনরেলনা মীফম অদুগীদমক্তা শেম শাননবা অবুদাবিদা মথংগী চয়োলদা পাঙথোক্কদৌরিবা ৱার্কিং মীটিংদা আরব লেঙমান্নবশিংগা খন্ন-নৈনমিন্নরগনি।

কোহেননা ৱাফম অসি ইজরেল, বেহরেন, ইজিপ্ট, মোরোকো, য়ু এ ই অমসুং য়ুএসনা কুমজা ২০২২ দা লিংখৎখিবা ফোরেন মিনিষ্টরিএল লেভেলগী ফ্রেমৱার্ক অমা ওইরিবা নেগেব ফোরমগী মতাংদা পল্লদুনা ফোঙদোকখিবনি। ফোরম অদু কুমজা ২০২০ দা ইজরেলনা বেহরেন, মোরোকো অমসুং য়ু এ ইগা মরী নোর্মেল ওইহন্নবগী মতাংদা একোর্দস অমা খুৎয়েক পীনখিবা মতুংদা শেমখিবনি।

কোহেননা হায়খি, একোর্দস অদুবু অতৈ লৈবাকশিংসু য়াওহন্দুনা চাওথোকহনবা হায়বসি য়াগদ্রা হায়বগী ৱাফম নত্তে। তৌইগুম্বসুং মসি করম্বা মতমদা য়াওহল্লগা চাওথোক্কদগে হায়বগী ৱাফম্নি।

মিনিষ্টর অসিনা মখা তানা হায়খি, মদুদি ইজরেলনা আরব লৈবাকশিংগা মরী ফনরকপদগী কুমজা ২০২২ দা লল্লোন ইতিক্কী ভোল্যুম দোল্লর বিলিয়ন ২.৮৫ ফাওবা য়ৌখি অমসুং মদুনা সেক্যুরিটি অমসুং রিজনেল ষ্টেবিলিটিদা শীংথানিংঙাই ওইনা কন্ট্রিব্যুট তৌখি। হৌখিবা চয়োলদা তরুকশুবা টার্ম অমগসু ৱাশক লৌখিবা নেটনয়াহুনা সাউদি অরাবিয়াগা ওফিসল মরী থম্ননিংবগী অপাম্বা ফোঙদোকখি।

মমাঙদা রিয়ার্দকী মায়কৈদগী ইজরেলদা লৈনবা দিপ্লোমেটিক মরীগী প্রোগ্রেস হায়বসি ইজরেল্লি-পলেষ্টিনিয়ন কনফ্লিক্টকী সোলূসন অমা পুরক্লবগী মায়কৈদা থাংবা খোঙথাংশিং খুমাঙ চাওশিনবা ঙম্বগী মখা পোনগনি হায়না ফোঙদোকপা লৈখ্রবনি।

# দেনমার্ককী ফার্মদা বার্থ ফ্লু শন্দোরকপদগী য়েন লিশিং ৫০ হাৎলগনি

কোপন হেগন, জনুৱারী ৩ (এজেন্সী):

ৱেষ্ট দেনমার্ককী ফার্ম অমদা ইনৌ নৌনা বার্থ ফ্লুগী লাইচৎ অমা শন্দোরকপদগী য়েন লিশিং ৫০ হাৎলগনি হায়না লৈবাক অসিগী মিনিষ্ট্রি ওফ ফুদ, এগ্রিকলচর এন্দ ফিসরিজনা ফোঙদোকখ্রে।

দেনিস ভেটেরিনরি এন্দ ফুদ এদমিনিষ্ট্রেসন (দি ভি এফ এ) হেদ ওফ সেক্সন লোটে ব্রিংনা হায়খি, মদুদি ফার্ম অদুগী য়েন খরা খ্বাইদগী শাথিরবা অমদি লৌনগনবা ঐচ৫ এন ১ বার্থ ফ্লু ভাইরসনা শোক্লে। মদুনা মরম ওইদুনা লাক্লিবা নুমিৎ খরনিগী মনুংদা ঐখোয়না য়েন লিশিং ৫০ পুল্লপ হাত্তোক্লগনি। মদু উচেকশিংদা নাবা লায়না অসি মখা তানা শন্দোরকপা থিংননবা অমদি লাইচৎ অসিবু থূনা লাকশিন্নবগীদমক্তনি।

এজেন্সিগী রিপোর্টনা হায়, শাথিরবা ভাইরস অদু কেপিটেল কোপন হেগনগী নোংচুপরোমদা কিমি ১৭৭ লাপ্না হেদেনষ্টেপ ম্যুনিসিপালিটিগী ওরুম টাউনগা নক্লবা ফার্ম অমদা য়েন কয়া শিখিবগা লোয়ননা ওবজার্ব তৌখি। দি ভি এফ এ অমসুং দেনিস ইম্মর্জেন্সি মেনেজমেন্ট এজেন্সি (দি ই এম এ) না ইনফেক্সন লৈরবা য়েন পুন্নমক হাৎপগা লোয়ননা মফম অদুদগী পুথোক্তুনা মাঙহনখ্রগনি। মদুগী মতুংদা ফার্ম অপুন্বদুদা সিৎ শেংবা অমদি দিস ইনফেক্সনগী থবক মপুং ফানা পাঙথোক্কনি। হৌখিবা নিংথৌকাবা নুমিত্তা দি ভি এফ এনা ফার্ম অদুগী অকোয়বদা কিমি ১০ না কোনবা লম রেষ্ট্রিক্টেদ জোননি হায়না লাউথোক্তুনা পার্মিসন য়াওদনা য়েরুম নত্তগা য়েন লৌথোকপা অসি ইল্লিগেল ওই হায়না মরী লৈনবা পুন্নমক্তা খঙহনখি।

# মেক্সিকোগী জেলদা চথখিবা এটেক্তা শিখিবা মীওই ১৭ শুরে



মেক্সিকো সিটি, জনুৱারী ৩ (এজেন্সী):

মেক্সিকোগী চিহুৱা ষ্টেটতা লৈবা জেল অমদা চথখিবা এটেক্তা শিখিবা মী মশিং ১৭ শুরে হায়না ষ্টেট প্রোজিক্যুটরগী ওফিসনা ফোঙদোকখ্রে। এটেক অদুদা শিখিবশিংদুগী মনুংদা গার্দ তরা য়াওখি।

ওফিস অসিনা থোকপা ষ্টেটমেন্ট অমা পল্লদুনা এজেন্সিনা হায়, বোর্দর সিটি স্যুদাদ জ্বারেজদা এটেক অদু চথরিঙৈ মনুংদা পুন্না ইনমেট ২৭ জেল অদুদগী নাম্থোকখি অমসুং ইনমেট তরা অমদি ওফিসার অহুম য়াওনা মীওই ১৩ অশোক অপন নঙখি।

মেদিয়ম-সেক্যুরিটি সেন্টর ফোর সোসল রি ইন্সরসন নম্বর ৩ দা খুৎলায় পায়বশিংনা এটেক চথখিবগী থৌদোক অদু নোংমাইজিং নুমিৎকী অয়ুক অঙনবদা থোকখিবনি। আর্মর ভেহিকলশিংদা লাকখিবা খুৎলায় পায়বা সস্পেক্টশিং অদুনা জেল অদুগী সেক্যুরিটি গার্দশিংদা নোংমৈ কাপশিনখি। গার্দশিংনসু খুৎ হনখিবগা লোয়ননা নাকল অনীগী মরক্তা নোংমৈ কাপ্নখিবনি।

দিফেন্স মিনিষ্টর লুই কৃসেন্সিয়ো সন্দোবালনা ফোঙদোকখিবদা জেলদা খুৎলায় পায়বশিং এটেক তৌবদগী সেক্যুরিটি ফোর্সশিংগা খুৎ থোক্লবা মতুংদা জেল অদুদা থী হুম্বা চথখিবদা লকজরি সেল তরা, খুৎলায় কয়া দ্রগ অমদি সেফ অমদা থম্লম্বা পেসো মিলিয়ন ১.৭ (দোল্লর ৮৭,০০০) হেন্না থেংনখি।

জেল অদুদা এটেক তৌখিবা খুৎলায় পায়বা মীওইশিং অদু লোস মেক্সিকলস কৌবা কাবোরিয়া কার্টেলগা মরী লৈনবা ক্রিমিনেল গেঙ অমগী মীওইশিংনি। জেলদগী নাম্থোকখিশিং অদুগী মনুংদা এল নেটো হায়না খঙনবা মখোয়গী লূচিংবা আরনেষ্টো অলফ্রেদো পিনোন য়াওখি হায়না সেন্দাবালনা ফোঙদোকখি। ইকোন কোনবা সেন্সসকী মতুং ইন্না ফেসিলিটি অদুদা ইনমেট ৩৯০১ লৈ হায়খি।